# ম্যান্মার মিলিটরি অমসুং ইথনিক গ্রুপশিং খূৎ থোক্নরকপদগী মীচম কয়া ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে




য়াঙোন, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুং সেক্যুরিটি ফোর্সনা মীয়ামগী মায়োক্তা চথ্থরক্লিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ম্যান্মার মিলিটরিগী মথক্তা এটেক চথ্থবা হৌরগনি হায়না ম্যান্মারদা লৈরিবা ইথিনিক গ্রুপশিংনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈবা মিলিটরি আউটপোষ্টশিংদা এটেক চথ্থবগী থবকশিং তোয়না থোক্লি।

সেক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগীসু খূৎলাই পায়বা ইথনিক গ্রুপশিং অদুবু কন্ত্রোল তৌনবগীদমক ইথনিক রেবেল গ্রুপশিংনা লৈরম্বা য়াই চিংনবা মফমশিংদা নোংথক্কী শরুক্তগী য়াওনা মখল মখা কয়াগী কাউন্টর ষ্ট্রাইকশিং চথ্থরি। মসিনা মরম ওইরগা ম্যান্মারগী মনুং হঞ্জিনবা অমদি ঙমখৈ শরুক্তা খুন্দারিবা খুঞ্জা কয়া মথৱায় হিংনবগীদমক য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা অমদি মনাক নক্না লৈবা উমংশিংদা চেনশিন্নরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ম্যান্মারগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা কয়া ষ্টেটকী মনুং চনবা দেমোসোগী খুঞ্জা নুপী মি মেনা ফোঙদোকখিবদা মফমদুদা খুন্দারিবা করেন ইথনিক গ্রুপ অমদি ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সকী মরক্তা য়াম্না তোয়না খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মিলিটরিগী মায়কৈদগীসু রেবেলশিংনা লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবা খুঙ্গংশিংদা রোকেটশিং কাপশিন্দুনা য়াম্না তোয়না এটেক চথ্থরি। মদুনা মরম ওইরগা খুঙ্গংশিং অদুদা লৈবা কিবদগী অতোপ্পা মফমশিংদা মখোয়সু মথৱায় হিংনবা লাকখিবনি।

মফমদুদা লৈরিবা নুপী অঙাংশিংগী পুন্সি তম্বা ঙমদে। খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিংদা শোয়বদগী নোংমৈনা পানবদগী শিদ্রবসু মিলিটরিগী মখুত্তা মখোয় শোয়দনা শিরগনি খনবদগী মীয়ামশিং লাঞ্জেন্নবা হৌখিবনি হায়রি।

অমরোমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা কয়া অমসুং থংনরিবা সান ষ্টেটতগী মীওই কয়া অতোপ্পা মফমদা লাঞ্জেন্নখ্রে। দেমোসো, লোইকো অমসুং ক্রুসো টাউনশিংদগী য়ামদ্রবদা মীওই লীশিং ৮৫ দগী লাক্ষ ১ ফাওবা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফাজিনখিবা মশীং ৫,৮০০ হেনখ্রে। অদুগা সেক্যুরিটি ফোর্সকী কা হেনবা থৌওংদা শিখিবা মীচমগী মশীং ৮৪৯ শুখ্রে।

## থা অসিগী ১৪ দগী সু চিগী ত্রাইয়েল চথ্থবা হৌরগনি: লোয়র

নেপিদো, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

ম্যান্মার মিলিটরিনা মফম লৌথোকখ্রবা মতুং হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লিবা ম্যান্মার মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী ত্রায়েল লাক্লিবা থা অসিগী নিংথৌকাবা নুমিত্তগী চথ্থবা হৌরগনি হায়না মহাক্কী লোয়রনা ফোঙদোরক্লি।

ওং সাং সু চিনা লুচিংবা মীয়ামগী গভর্ণমেন্ট অদুবু লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা কু তৌদুনা ইন্থুখ্রবা মতুং লৈবাক পুম্বদা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অমা লাক্লি। মিলিটরিগী অহেনবা থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মুক্নবা থোকপগী থৌদোকশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৮৫০ রোম শিখ্রে। কোরোনা ভাইরসকী চৈথেং মরক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সনা অমুক্কা হেন্না লৈবাক অদুগী মীয়ামদা চৈথেং পীরি। মিলিটরি লৈঙাক অদু তোকহল্লগা অমুক হন্না মীয়ামগী লৈঙাক লাকহন্নবা মায়কৈ কয়াদগী হোৎনরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মায় পাকপা ঙমদ্রি।

মরক অসিদা ম্যান্মার মিলিটরিনা দিটেন তৌদুনা থম্লিবী মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী মথক্তা শেঞ্জা থুমজা অমদি অরানবা থবক থৌবগী মরাল কয়া শীরি। মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরালশিং অদুগী ত্রাইয়েল থা অসিগী ১৪ নিংথৌকাবা নুমিত্তা চথ্থবা হৌরগনি হায়না লুচিংবী অসিগী লোয়র মিন মিন সোনা ফোঙদোরক্লি।

লোয়র অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম পুক্নিং ফাদনা লৈনবা লুচিংবী অসিগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি। মিলিটরিনা লৈবাক অদুদা পৱার পায়শিল্লবা মতুং লুচিংবী অসিবু দিটেন তৌখিবা নুমিত্তগী ঙসি ফাওবদা লোয়র অসিগা মহাক্কা উন্নবগী খুদোংচাবা অনীরক পীখ্রে। পনবা য়াবদি ম্যান্মার জুন্টানা ওং সান সু চিগী পার্টি নেস্নেল লিগ ফোর দিমোক্রেসিবু মপুং ফানা দিজোল্ব তৌনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি।

# ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী মেদিকেল এইদশিং পীনবা লোমেকরশিংনা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

তোঙান তোঙানবা য়ু এস লোমেকরশিংনা বাইদেন এদনিষ্ট্রেসনদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা মেদিকেল এইদশিং অমসুং ভেক্সিন ইন্দিয়াদা মতেং পীনবা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে হায়রি।

অমেরিকান লোমেকরশিংনা ইন্দিয়াদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী অমদি শিহনবগী মতাংদা জো বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না অহেনবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারি। চয়োল অমরোম অসিদা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা খরা মখৈ হন্থরক্লবসু অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুরবদি অরুবা ফীভম অমদা লৈরি।

ইন্দিয়াদা য়ু এসনা এষ্ট্রাজেনেকা কোভিদ ভেক্সিন দোজ মমাংদা মতেং পীবা লৈখ্রে। মসিদা নত্তনা ওক্সিজেন কন্সেনত্রেটর অমদি ভের্ন্টিলেটরশিংসু নুমিৎ খরনিগী মমাংদা মতেং পীখি। য়ু এসনা ইন্দিয়াদা পাংখিবা মতেং অদুনা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌবা ওইথোক্লোই। মরম অদুনা য়ু এসনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম পুম্বা কোভিদ ভেক্সিন অতেনবা মতমগী মনুংদা কাপথোকহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংগদবনি।

য়ু এসনা অতোপ অতোপ্পা লৈবাকশিংদসু কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ কয়া লেম্না পীরি। অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পীরিবা অদুদগী মশীং হেনগৎনবা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজশিং পীবগী মথৌ তারি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি কন্ত্রোল তৌবা ঙমদবা মওংদা লৈরি। ইন্দিয়াগী মীয়াম্না কোভিদ-১৯ গী অহেনবা ভেক্সিন অমসুং মেদিকেল সপ্লাইশিং মথৌ তারি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা টেক্সাসকী গভর্ণর গ্রেগ এবোটনা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী লৈবাকশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা লায়না লাইচৎ অসিবু লান্থেংনবগী তঙাইফদবা লৈ। কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরিবা লৈবাক অসি ইন্দিয়ানি। অফবা মরী অমা থম্নবা হোৎনবা অমদি কোভিদপু মায়োক য়ানবা হোৎনবদা য়ু এসনা ইন্দিয়াদা অঙন্বা মতেং পাংফম থোকই।

সিনেট অর্মদ সার্ভিস কম্মিটিগী সিনেটর রোজর ৱিকরনসু কোরোনা ভাইরসনা কা হেন্না চৈথেং পীরিবা লৈবাকশিংদা য়ু এসনা মতেং পাংহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরিবা ইন্দিয়াদা অহেনবা মীৎয়েং থম্নবা তকশিল্লক্লি।

# অরব অমসুং নন অরব ত্রাইবশিং খূৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা ৩৬ শিরে

সুদান, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

সুদানগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা সাউথ দারফরদা অরব অমসুং নন অরব ত্রাইবশিংগী মরক্তা থোকখিবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা মীওই ৩৬ শিখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

হৌখিবা চয়োলসিদা ত্রাইব অনীগী মরক্তা উংখৎনবা অমদি খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তসু সাউথ দারফরগী মনুং চনবা অম দাফুকতা অরব তাইশা অমসুং ইথনিক অফ্রিকান ফলাটা ত্রাইবশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং থোকখি।

কাঙলূপ অনীগী মরক্তা য়াম্না তোয়না খূৎ থোক্নরক্লিবা অদু থিংনবগীদমক তেন্সন ৱাংখৎনরিবা মফমশিংদা মিলিটরি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌবা হৌখ্রে। চয়োলসিগী মনুংদা ফলাটা অমসুং তাইশা ত্রাইবেলশিংগী মরক্তা থোকখিবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৩৬ শিখ্রে অদুগা মীওই ৩২ না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না সাউথ দারফরগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কাঙলূপ অনী অসিগী মরক্তা মরু ওইনা লম অমসুং ঈশিং মুন্নবগী মতাংদা য়াম্না তোয়না খূৎ থোক্নরি। সুদানদা লৈবাক মনুংগী ওইবা সিভিল ৱার অমা থোক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মফম অয়াম্বদা চাবা ফংদবগী অৱা চৈথেং পীরি। সুদানগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈরিবা সাউথ দারফরসু লালগী চৈথেং কা হেন্না ফংলিবা মফম অমনি। হৌখিবা এপ্রিল থাদসু ৱেষ্ট দারফরদা মসালি ত্রাইব অমসুং অরব কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্নরকপদগী মীওই ১৩২ শিখি অদুগা ১০০ রোম শোকহনখি হায়রি।

# ফোরেন ফোর্সকীদমক থবক তৌরম্বা অফঘানশিংদা চৈথেং ফংহল্লোয়: টালিবান



কাবুল, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

অফগানিষ্টানদা লৈরিবা অফঘান কয়ানা ফোরেন ফোর্সকীদমক মতম শাংনা থবক তৌদুনা লাকখ্রে। মখোয়না তৌখ্রিবা থবকশিং অদু হিংনবগী লম্বী থিবদা তৌখিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা ফোরেন ফোর্সশিংগী থবক তৌরম্বা অফঘান অমত্তদা টালিবান ফোর্সনা খুদোংথিবা অমত্তা থোকহল্লোয় হায়রি।

খুৎলাই পায়বা গ্রুপ অসিনা ঙসি থাদোরকখিবা চেরোল অমদা লৈবাক অদুদা হৌজিক হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিহল্লক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। টালিবান ফাইটরশিংনসু লৈবাক অদুদা ঈং তপ্না লৈবা পাম্মী। হৌজিক্তি লৈবাক অদুদা য়ৈকাই থিনগাইবা থোকহনগদবা ফোরেন ক্রুপশিং লৈত্রে। মরম অদুনা হান্না ফোরেন ফোর্সকীদমক থবক তৌরম্বা মীওইশিংনা মপুক্নিং চিংনদনা লৈনবা খঙহল্লক্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি নেটোগী লান্মীশিং অফগানিষ্টানদগী লৌথোকপগী থবক চথ্থবা হৌখ্রবনি। সেপ্তেম্বর ১১ ফাওবগী মনুংদা অফঘানিষ্টানদা দিপ্লোয় তৌবা ত্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোক্লগনি হায়দুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি টালিবান লান্মীগী মায়কৈদগী চেরোল অসি থাদোরকখিবনি।

অমরোমদা ফোরেন ত্রুপশিং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎপা হৌখিবনা মরম ওইরগা হান্ননা ফোরেন ফোর্সশিংগী থবকতৌরম্বা মীওই কয়াদি টালিবান ফাইটরশিংনা করি তৌরক্কদে খনবদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা হিংলি।

# মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 174,100,212 | +58,364 | 3,745,235 | +1,392 | 157,403,784 | 12,951,193 |
| 1 | USA | 34,210,782 | | 612,366 | | 28,122,737 | 5,475,679 |
| 2 | India | 28,909,975 | +371 | 349,229 | | 27,159,180 | 1,401,566 |
| 3 | Brazil | 16,947,062 | | 473,495 | | 15,342,286 | 1,131,281 |
| 4 | France | 5,712,753 | | 109,998 | | 5,409,110 | 193,645 |
| 5 | Turkey | 5,287,980 | | 48,164 | | 5,160,774 | 79,042 |
| 6 | Russia | 5,135,866 | +9,429 | 124,117 | +330 | 4,743,202 | 268,547 |
| 7 | UK | 4,516,892 | | 127,840 | | 4,275,093 | 113,959 |
| 8 | Italy | 4,232,428 | | 126,523 | | 3,913,633 | 192,272 |
| 9 | Argentina | 3,955,439 | | 81,214 | | 3,529,033 | 345,192 |
| 10 | Germany | 3,708,779 | | 89,851 | | 3,542,700 | 76,228 |
| 11 | Spain | 3,697,987 | | 80,196 | | 3,471,163 | 146,628 |
| 12 | Colombia | 3,571,067 | | 91,961 | | 3,310,737 | 168,369 |
| 13 | Iran | 2,971,270 | +4,907 | 81,183 | +120 | 2,565,972 | 324,115 |
| 14 | Poland | 2,875,328 | +194 | 74,160 | +8 | 2,645,877 | 155,291 |
| 15 | Mexico | 2,433,681 | +1,401 | 228,804 | +50 | 1,939,596 | 265,281 |
| 16 | Ukraine | 2,215,052 | +535 | 51,215 | +33 | 2,094,971 | 68,866 |
| 17 | Peru | 1,983,570 | | 186,511 | | N/A | N/A |
| 18 | Indonesia | 1,863,031 | +6,993 | 51,803 | +191 | 1,711,565 | 99,663 |
| 19 | South Africa | 1,696,564 | | 56,974 | | 1,578,033 | 61,557 |
| 20 | Czechia | 1,663,607 | +90 | 30,164 | +3 | 1,626,306 | 7,137 |
| 21 | Netherlands | 1,663,050 | | 17,678 | | 1,528,392 | 116,980 |
| 22 | Chile | 1,427,956 | | 29,937 | | 1,347,676 | 50,343 |
| 23 | Canada | 1,392,563 | | 25,724 | | 1,342,645 | 24,194 |
| 24 | Philippines | 1,276,004 | +6,539 | 21,969 | +71 | 1,195,181 | 58,854 |
| 25 | Iraq | 1,224,992 | | 16,538 | | 1,142,093 | 66,361 |
| 26 | Romania | 1,078,952 | +89 | 30,878 | +63 | 1,043,171 | 4,903 |
| 27 | Sweden | 1,078,062 | | 14,485 | | 1,002,915 | 60,662 |
| 28 | Belgium | 1,070,802 | +928 | 25,033 | +14 | 978,751 | 67,018 |
| 29 | Pakistan | 933,630 | +1,490 | 21,323 | +58 | 864,931 | 47,376 |
| 30 | Portugal | 852,646 | | 17,034 | | 811,897 | 23,715 |
| 31 | Israel | 839,577 | +6 | 6,418 | | 832,964 | 195 |
| 32 | Bangladesh | 812,960 | +1,970 | 12,869 | +30 | 753,240 | 46,851 |
| 33 | Hungary | 806,089 | +81 | 29,866 | +12 | 717,254 | 58,969 |
| 34 | Japan | 760,323 | | 13,523 | | 703,525 | 43,275 |
| 35 | Jordan | 739,847 | | 9,530 | | 721,016 | 9,301 |
| 36 | Serbia | 713,678 | | 6,917 | | 700,810 | 5,951 |
| 37 | Switzerland | 698,369 | +1,077 | 10,838 | +6 | 659,808 | 27,723 |
| 38 | Austria | 647,079 | +279 | 10,640 | +1 | 631,294 | 5,145 |
| 39 | Malaysia | 622,086 | +5,271 | 3,460 | +82 | 534,357 | 84,269 |
| 40 | Nepal | 591,494 | +3,370 | 7,990 | +92 | 497,960 | 85,544 |
| 41 | UAE | 585,039 | +1,968 | 1,702 | +3 | 564,509 | 18,828 |
| 42 | Lebanon | 541,557 | | 7,763 | | 523,476 | 10,318 |
| 43 | Morocco | 521,426 | | 9,178 | | 509,083 | 3,165 |
| 44 | Saudi Arabia | 457,546 | | 7,456 | | 440,644 | 9,446 |
| 45 | Ecuador | 432,353 | | 20,809 | | 398,645 | 12,899 |
| 46 | Bulgaria | 419,473 | | 17,820 | | 386,099 | 15,554 |
| 47 | Greece | 409,368 | | 12,277 | | 381,330 | 15,761 |
| 48 | Belarus | 399,852 | | 2,910 | | 392,366 | 4,576 |
| 49 | Kazakhstan | 395,064 | +989 | 4,076 | +19 | 367,285 | 23,703 |
| 50 | Slovakia | 390,451 | +15 | 12,414 | +10 | 376,450 | 1,587 |
| 51 | Bolivia | 387,162 | +1,428 | 15,024 | +43 | 306,819 | 65,319 |
| 52 | Panama | 382,475 | | 6,402 | | 368,365 | 7,708 |
| 53 | Paraguay | 373,165 | | 9,874 | | 306,695 | 56,596 |
| 54 | Croatia | 357,608 | +43 | 8,091 | +5 | 348,274 | 1,243 |
| 55 | Tunisia | 355,732 | | 12,980 | | 311,340 | 31,412 |

## সেক্যুরিটি গার্দনা ওপরেসন তৌখিবী অমা শিরে

লাহোর, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

পাকিষ্টানগী হোস্পিটাল অমদা এক্স সেক্যুরিটি গার্দ অমনা ডোক্তর শাদুনা নুপী অমা ওপরেসন তৌরমখিবগা লোয়ননা নুপী অদু লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা মশাগী চহী ৮০ রোম শুরবী সমিমা বেগম মখ্বাংগী অনাবা অমগীদমক হোস্পিটাল অদুদা ট্রিটমেন্ট চথ্থখিবনি। অদুমওইনমক শাশিন্নবা ডোক্তর অদুনা করম্বা মখলগী ওপরেসন চথ্থখিবগে হায়বদুদি ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। মরমদি মহাক্না ওপরেসন চথ্থখিবা মতম অদুদা ক্বালিফাই ওইরবা টেক্নিসিয়নশিংসু য়াওরিবনি। ওপরেসন লোইরবা মতুং ময়ুমদা নুপী অদু লৈখিদবনি।

## স্পেননা ঙমখৈগী শরুকশিং হাংদোকপা হৌখ্রে

মলাগা, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

স্পেনদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং তপ্না তপ্না হন্থরকখ্রবা মতুং কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন দোজ অনীমক কাপ্লবা মীওইশিংনা লৈবাক অদুদা চঙলকপদা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা হান্না থিংজিন্দুনা থম্লম্বা ঙমখৈগী শরুকশিং অমুক হন্না হাংদোকপা হৌখ্রে হায়রি।

স্পেনগী হেল্থ মিনিষ্টর কেরোলিনা দারিয়াসনা ফোঙদোকখিবদা স্পেনদা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা ভিজিট তৌরবদা চিংনিনিংঙাই ওইদ্রে। কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্তুনা স্পেনদা হৌখিবা পুং ৭২ গী মনুংদা চঙলকখিবা য়ুরোপিয়নশিংসু টেষ্ট তৌথোক্নবা শেম শাবা লোইরে। স্পেন মালেমগী লৈবাকশিংগী মীয়াম্না লম কোইহ্নবগীদমক কা হেন্না পাম্নরিবা মফম অমনি। লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস মশীং থেংনবগী চাং য়াম্না হন্থখ্রবা মতুং কোভিদ ভেক্সিন দোজ অনীমক কাপথোক্লবা মীওইশিংনা লৈবাক অসিদা কোয়বা লাকপদা অয়াবা পীনবা ফিরেপ লৌখিবনি। স্পেনদা মরু ওইনা বৃটিশশিংনা কা হেন্না কোয়বা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯ খক্তদা স্পেনদা বৃটিশ সিটিজন মিল্লিয়ন ১৫ হেন্না কোয়বা লাকখি হায়রি।

## মালিগী ইন্তরিম প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

বমাকো, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

মালিগী ত্রেদিসনেল প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরবু মমাং থাদা মফমদগী লৌথোকখিবা মালিগী মিলিটরি কম্মান্দর অসিমি গোইতা ঙসি লৈবাক অদুগী ইন্তরিম প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে হায়রি।

মশাগী চহী ৩৭ লোম শুরবা মিলিটরি লিদর অসিনা ঙসি লৈবাক অদুগী কোনুং বামাকোদা পাঙথোকপা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা মিলিটরিগী চপ চাবা ফিজেল সেত্তুনা মালিয়ন মীয়ামগী য়াইফনগীদমক মহাক্কী অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না ৱাশকখি। হৌখিবা থা ৯ অসিদা মিলিটরি কম্মান্দর অসিনা মীয়ামগী লৈঙাকপু অনীরক ইন্থুখিবা অদুগী মতাংদা হৌজিকসু ৱাথোক কয়া থোক্তুনা লৈরিবনি।

মমাং থাগী ২৪ দা ইন্তরিম প্রসিদেন্ট বা দো অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোকতার অৱানবু কেবিনেট রিসফল তৌবদা মঙোন্দা তান্নরমদে অমদি মখোয়না দিফেন্স এন্দ সেক্যুরিটি মিনিষ্টরশিংবু রিপ্লেস তৌনবা হোৎনরম্মী হায়বগী মরালদা গোইতানা মীয়ামগী লৈঙাক অদুবু ইন্থুখিবগা লোয়ননা মহাক্না অমুক হন্না পৱার পায়শিনখিবনি হায়রি।

## টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা ইমরজেন্সি লেন্দিং তৌখ্রে



ৱাশিংটন, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হরিসকী অহানবা ইন্তরনেস্নেল ত্রিপকীদমক ঙরাং প্লেন তোংদুনা পাইখৎখিবা ইকান কান্নদনা টেক্নিকেল প্রোব্লেম লাকপদগী ইমরজেন্সি লেন্দিং তৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হরিসকী ৱাঙাঙলোয় অনুপী সাইমোন সেন্দরসনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হরিসনা তোংখিবা এয়র ফোর্স-২ অদু পাইখৎলবা মতুং লেন্দিং এয়রদা প্রোব্লেম খরা লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী ইমরজেন্সি লেন্দিং তৌখিবনি।

ইমরজেন্সি লেন্দিং অদুদা প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওইশিংগী মরক্তা খুদোংথিবা অমত্তা থোকখিবা য়াওদে। পাইলোটশিং অদুনা য়াম্না হৈনা শিংনা হোৎনদুনা প্লেন অদু তেক্তা কায়দনা অমুক হন্না লেন্দিং তৌহনখিবনি। মদুগীদমক ক্রু মেম্বরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

ইমরজেন্সি লেন্দিং তৌখ্রবা মতুং অতোপ্পা প্লেন অমদা কমলা হরিস গ্বাটেমালা তম্না অমুক হন্না পাইখি। গ্বাটেমালাদা মহাক্না থুংগদবা মতম অদুদগী পংথেং থেংদনা মহাক য়ৌবা ঙমখি। পনবা য়াবদি য়ু এস ভাইস প্রাসিদেন্ট কমলা হরিস গ্বাটেমালা অমদি মেক্সিকোদা লৈরিবা মীয়ামশিংদা কোভিদ-১৯ পেন্দামিক্কা মরী লৈননা উন্নবগীদমক চৎখিবনি।

# পাকিষ্টানদা ত্রেন থেংজিন্নবগী থৌদোক্তা মীওই ৪০ শিখ্রে, কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে



ইস্লামাবাদ, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

মী য়াম্না তোংদুনা লাকখিবা পাকিষ্টানি ইন্তর সিটি ত্রেন অমগা অতোপ্পা এক্সপ্রেস ত্রেন অমগা থেঙ্গাইনবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৪০ শিরে, কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অয়ুক পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা লাইবকথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ৪০ শিখিবগা লোয়ননা খরা অমনা হৌজিক হৌজিকসু ত্রেন বোগি মনুংদা থোরকপা ঙমদনা লৈরি। পাকিষ্টানগী সিন্ধ প্রোভিন্সকী মনুং হঞ্জিনবা দহারকি এরিয়াদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থৌদোক অদু থোকপগী পাউ হেক ফংবগা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মফমদুদা চঙশিল্লক্তুনা মী কনবগী থবকশিং চথ্থবা হৌখ্রে। তোঙান তোঙানবা অফবা মখলগী খূৎলাইশিং শীজিন্নদুনা চথ্থরিবা থবক অদু পুং কয়া চঙলবা য়ানা লৈরি।

ত্রেন থেঙ্গাইনবগী থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংহৌদ্রবা অখটার রাজপুঠ কৌবা পেসেঞ্জর অমনা ফোঙদোরকখিবদা খঙহৌদনা অহৌবা মখোল অমা থোকখিবগা লোয়ননা মখোয়না তোংলক্লিবা ত্রেন বোগি অদু মথক মখা ওনখি। বোগি অদুদা তোংলম্বা মীওইশিং অমগা অমগা ননশিন্নখি। অদুমওইনমক মীশি মীনা নৎত্রগা কা হেনবা অশোক অপনশিংদি নংখিদে। অদুবু বোগি মথক মখা ওনবগী থৌদোক অদুদা মহাক মিৎকুপ খরা ৱাখল মাঙখি। মহাক্না ৱাখল তারকপা মতমদা মঙোন্দগী পংলাপ লাপ্তুবা মফমদা মীওইবগী হকচাংশিং তাদুনা লৈরম্বা অমদি খরা অমনা মথক মখা ওল্লবা বোগিশিংদগী মপান থোরক্লবা হোৎনবা উখি।

ঙসি থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পাকিষ্টানগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ফৱাদ চৌধুরিনা ফোঙদোকখিবদা লাইবকথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ৪০ শিহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখি। মসিমক য়াম্না থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমনি।

মীওই ৪০ শিখ্রে হায়না কনফার্ম তৌবা ঙমখ্রবসু কয়া শোকপগে হায়বদুদি চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মথক মখা ওন্দুনা তারিবা বোগিদগী মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথ্থরি। মখা তানা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন থোক্তনবগীদমক ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি। অমরোমদা ত্রেন থেঙ্গাইনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং মনাক নক্না লৈরম্বা লৌমীশিংনা অশোকপশিং খুদক্কী ওইনা কন্নবা হোৎনরম্বগী থৌওং অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।